# মশা চানবা শা-ষণশিং পুথোক পুশিন তৌবা

- ডা. সরাংথেম জেসমারানি -

মশা চাননবা শাশিং পুথোক পুশিন তৌনবা হোৎনবদা শা-ষণশিংসি অশোয় অঙাম য়াওদনা লূ-নান্না মখোয়বু শা শেন্স্ফম মফম ফাওবা পুবিগনি। অসিগুম্বা মতমসিদা শা ষণশিংদা করিগুম্বা মখল অমতগী অৱাবা, চোকথবা অমত্তা লৈহনবিরোইদবনি অমদি য়াম্না শাংনা পুবিদনবা হোৎনবীগনি।

**গাড়ীদা হাপতোক হাপচিন তৌবা ঃ**

মশা চাননবগী শা-ষণশিং লম শাংনা মফম অমদগী অমদা গাড়ীদা পুবা মতমদা শাশিং গাড়ীদা অমুক হাপচিন অমুক লৌথোক তৌবা মতমদা শা-ষণশিংদা অদুক্কী মতিক অৱাবা অমা ওইহল্লি। গাড়ীদা শা-ষণশিং হাপ্পা মতমদা নিংথিনা হাপ্পীহৌদ্রগদি অৱাবা কয়া অমা মায়োক্নরগা তুশিনবা নৎত্রগা অশোক অপন কয়া অমা থোকহল্লি। কালেনগী মতমদা শাশিংসি খরা লাপ্লা পুবীগে হায়রবদি অয়ূক অঙনবদা ওইনা পুবিবনা ফৈ। নিংথমথাগী মতমদনা অয়ূক নুংশা খরা থোক্লগা পুবিবনা হেন্না ফৈ। অদুবু নুমিদাংগী মতমদা পুবনদি খ্বাইদগী হেন্না ফৈ। গাড়ীদা মতম শাংনা পুবা তারগদি লন্থীদগী ঈশিং অফবা পীথকপীগনি । মসিদসু নত্তনা মফমদুদা ফংবা শজিকসু পীজবিহৌগনি অদুবু কা হেন্না পীজবিবদি খক তৌবিরোইদবনি।

মফমসিদদি শাশিং পুথোক পুশিন তৌবা মতমদা ত্রেন লৈতবনিনা ত্রক্তা পুবনা খ্বাইদগী ফবা গাড়ী অমা ওইরে অদুবু ত্রক্তা চৎপা মতমদা কিলোমিটর ৫০০ নৎত্রগা পুং ১০-১৫ ফাওবদি লেপ্তুনা চৎপা ঙম্মী। করিগুম্বা লমশাং চৎপা মতমদা পুং ১২ দগী হেনবা তারগদি লমখাংদা ঈশিং অমদি মচিঞ্জাক পীজনবা হোৎনবীগনি।

**শা-ষণশিং পুগদৌরিবা গাড়ীগী মওং ঃ**

☞ গাড়ী মনিংদা শাশিং হাপ্পা হৌদ্রিঙৈদা মনিংগী অকোয়বদু শোক্তনবা খরা থানা খাজিনবীগনি।

☞ মরক্তা কম্পার্টমেন্ট খরা খাইদোকপীগনি। মসিগী অৱাংবনা ষণদনা মিটর ১.২৭ অদুগা হামেং অমদি ওক্তনা সেন্টিমিটর ৭৬ ওইগনি। কম্পার্টমেন্টশিংদা শাশিং থম্বা মতমদা য়াম্না চিন্না থম্বীরোইদবনি। নুংশিৎ নুংশা চঙনবা খরা কোম্না থম্বীগনি।

☞ শাশিং থমগদৌরিবা গাড়ী মনিংদুগী লৈমায় অদু য়াম্না নালহনবীরোইদবনি। লৈবাক নৎত্রগা লৈঙোই ইঞ্চি ৪-৭ মুক থানা থাবীগনি।

☞ করিগুম্বা মতমদা গাড়ী মনুংদু মরোন অনী থোক্লা লৈবা তারগদি মথক্তা কাখৎফম তোঙান্না থম্বীগনি।

☞ কম্পার্টমেন্ট মনুংদা শাশিং কোয়চেন চেনদনবা পুল্লগা থম্বনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ।

**শাশিং পূন্না পুমিন্নবা য়াদবা খরা ঃ**

☞ মচা চেল্লবী ষণবী অমদি ষণ লাবা থা ১০ গী মখাদা লৈবা।

☞ ওক মচাগা কোন্ননা লাবা থা ৬ কী মথক্তা লৈবা।

☞ পুল্লগা পুবা শাশিংগা পুন্দনা লৈবা শাশিংগা পূন্না পুমিন্নবা য়াদে অদুবু মখোম খাইদ্রিবশিংগীদি মপীগা পূন্না পুবদা অকায়বা লৈতে।

☞ শা অমগা অতোপ্পা শা অমগা পূন্না পুবিরোইদবনি।

☞ মচি পানবা শাশিংসি পূন্না পুবিরোইদবনি।

**শা পুথোক পুশিন তৌবদা চেকশিনগদৌবা খরা ঃ**

☞ শাশিং মফম অমদগী অমদা পুবা মতমদা মখোয়বু শেন্নবিনবা মী অমা য়াওবীগনি।

☞ শাশিং গাড়ীদা পুখৎপা অমদি পুথবা মতমদা অশোয় অঙাম য়াওদনবা চেকশিনবীগনি।

☞ মতম চুপ্পদা ঈশিং ৱাৎতনা পীথকপীগনি অমদি য়ামদ্রবদা পুং ১২ খুদিংগী মচিঞ্জাক পীজবীনবা হোৎনবীগনি।

☞ কিলোমিটর ৫০০ গী মথক্তা হেন্না পুবিবা তারগদি তোঙানবা মওংদা পুনবা শাশিংনা লৈবদা হেন্না নুংঙাইনবা শেম্বীগনি।



☞ চৎপা হৌদ্রিঙৈ পুং ১ ৱাৎলিঙৈদা মচিঞ্জাক অমদি ঈশিং মরাং কায়না পীথকপীগনি।

☞ কিলোমিটর ১০০০ অমা হেন্না পুবা তারগদি শাশিং গাড়ীদগী অমুক পুথবীরগা মচিঞ্জাক অমদি ঈশিং নিংথিনা পীজবীগনি অদুগা অমুক গাড়ীদা হাপকৎপীগনি। মসিনা শিবা অমদি শোকপগী চাং হন্থগনি।

**গাড়ীদা পুবগী শাশিংগী থম্নবা মফম ঃ**

☞ ওক - 0.42 m²

☞ হামেং/য়াও - 0.255 m²

☞ ষণাও মচা - 0.325 m²

☞ ষণ - 0.51 m²

**ত্রক্তা ষণশিং পুবদনা ঃ**

☞ ষণশিং ত্রক্তা হাপ্লগা পুবিবা তারগদি ত্রকতুগী সাইজগী মতুং ইন্না শাশিং হাপ্পীগনি। ত্রক অমদা ষণ হাপ্পা য়ারিবসি য়ামদ্রবদা ৬ নি।

☞ ষণশিং পুবগী খ্বাইদগী ফবা মতমসি নুমিদাংদনি। ত্রক্তা হাপত্রিঙৈদা লৈঙোই নৎত্রগা লৈবাক হাপ্লবা মতুংদা চরু অমুক থাবীরবা মতুংদা ষণ অমুক হাপ্পীগনি।

☞ ষণ ত্রক্তা হাপ্পগী মওংসি রো নাইনা মায় মায় ওনশিনবীগনি অদুগা রো অনীগী কারক্তা মিটর ১.৫ মুক খারগা থম্বীগনি।

☞ গাড়ী থৌবা মতমদা গাড়ীগী স্পিদসি পুংদা কিলোমিটর ৪০ গী চাংদা থৌবিগনি।

**ত্রক্তা হামেং অমদি য়াওশিং পুবদনা ঃ**

☞ ত্রক অমদা হামেং নৎত্রগা য়াও ৩০ মুক পুবা য়াই।

☞ মিটর ২-৩ খুদিংগী খাজিল্লগা থম্বীগনি, কা হেন্না চিন্না থম্বীরোইদবনি।

☞ পুথোক পুশিন তৌবা মতমদা নুংশিৎ নুংশা মরাং কায়না ফংহনবীগনি।

☞ পুবা মতমদা কা হেন্না পীজবিরোইদবনি অমদি ঈশিং মরাং কায়না পীথকপীগনি।

**ত্রক্তা ওকশিং পুবদনা ঃ**

☞ মখোম খাইবদা ঙাইরিবা ওকশিং, ওক হাতমশিং, মপী অমদি চাজেনবী ওকশিং ত্রকতা পুবা তারগদি ওক অমমমদা ০.৩, ০.৪৫, ০.৬০ অমদি 1.2 m² লাপ্নহনগনি।

☞ ওকশিং পুবা মতমদা খরা শাংনা মতম চঙদনবা ওইরগদি নুমিদাংৱাইরমদা পুবনা খ্বাইদগী ফগনি।

☞ পুথোক পুশিন তৌরিঙৈদা শ্বর ফুনগত্তনবা হোৎনবগা লোয়ননা অশেংবা নুংশিৎ মরাং কায়না ফংহনবীগনি।

☞ নুংশা য়াম্না শারিঙৈ মতমদা ওক পুথোক পুশিন তৌরোইদবনি। তঙাইফদনা পুবা তারগদি লন্থীদা য়াম্না তোয়না ঈশিং অইংবা চাইশিন্দুনা ঙক্লিবমখৈ মৈশাদগী ঙাকথোক্নবা হোৎনগদবনি।

☞ গাড়ী মনুংদা লাংদনবা অমদি চিক্লা খোৎনদনবা লোয়ননা পুথোক পুশিনগী চৈনাখোল (ত্রানসিৎ ষ্ট্রেস) দগী খঙহৌদনা শিবা থোক্তনবা ভিটামিন ঈ লোয়ননা ত্রাংকুইলাইজর কাপথোকপীগনি।

☞ থাংদোক থাংজিন অমসুং পুথোক পুশিন তৌরমদাইদা ওক খুদিংমক মবুক থন্না পীজবিরোইদবনি।

☞ করিগুম্বদা ওকোন মনুংদা চহী চুপ্পা ফাজিন্দুনা থম্বা ওকশিং মফম অমদগী অমদা হোইদুনা পুবা মতমদা চৎলু য়াদবদগী ফু চৈদুনা কাও-থিন্দুনা অমদি নম্ফুদা ইন্দুনা পুবিরোইদবনি। মসিদগীসু মখোঙ মখূৎ অমদি মখ্বাংদা অতেক অকায় থোকহনবা য়াওই। অদুগা অমনা ওক্তা ফুবা মতমদা কৈদৌঙৈদসু মখ্বাংদা চৈনা করিনা হাইদুনা অকনবা শাফু পীরোইদবনি। মসিদগী খুদুঙ অনীমক পেরেলাইসিস তৌহন্দুনা হৌগৎপা ঙমদবা য়াম্না তোয়না থোকই।

☞ অনকপা মফম অমদা নৎত্রগা লৈমায়দগী গাড়ী মথক্তা হাপকৎপা মতমদা মশাগী অরুম্বা কিলো ৪০-৫০ লুম্বা ওকশিংগীদি মনা অনী, মমৈগী মখোঙ অমদি মফৈগা মবুক্কা তায়নফমদা পায়রগা থাংবদা অশোক অপন থোক্কন্দে অদুবু অচৌবা য়াম্না লূম্বা ওকশিংদদি মী অনীনা ওক্তুগী য়েৎ ওইগী চগোক মপাদা লেপ্লগা খূৎ নাম্মা নাম্মনা ওক্তুগী মবুক্কা খুমাংগা তায়নফমদা লোনশিল্লগা খূৎশিং কারন চন্না পায়শিনগনি অমদি খূৎ নাম্মা নাম্মনা মনা অনীদু পায়গনি। লোয়ননা অতোপ্পা মী অনীনা খুদুঙগা মবুক্কা তায়নফমদা খূৎ লোনশিন্দুনা খূৎশাশিং কারন চন্দুনা পায়শিন্নগনি। অসুম্না মীওই ৪/৫ চঙদুনা মতম অমত্তদা হৌদুনা ওক অদু থাংনবা হোৎনগনি। হায়রিবা কাঙলোনসিগী মহুত্তা মখোঙ মরিমক শুপ্পুন পুনশিল্লগা মখোঙ অমসুং মবুক্কী কারক্তুদা উ নৎত্রগা ৱানচিংবা লোনশিল্লগা ওক্তু লোংনা থাংগৎলগা পুবীরোইদবনি। মসিদগী মখোঙদা অতেক অকায় থোক্তুনা খুদোংথীবা য়াম্না নংগল্লি।

অসুম্না নীংথিনা শা-ষণশিং ময়ামসি মফম অমদগী অমদা চেকশিন্না পুবিরগদি অশোয় অঙাম য়াওদনা পন্থুং য়ৌবা ঙমগনি। ●

# মালেমগী লৈবাক লৈহাওগী নুমিৎ

— ডা. ৱাইখোম জিতেন —

ঙসি দিসেম্বর ৫ মালেমগী মফম খুদিংদা মালেমগী লৈবাক লৈহাওগী নুমিৎ পাঙথোক্নরি। থৌরম অসি তৌবগী মরু ওইবা মরমদি মীওইবা অমসুং লেংলি পাল্লিবা পূম্বনা লিশাং শিৎনা হিংনবা হোৎনবদা লৈবাক লৈহাওগী মরু ওইবা লৈ হায়বদু খঙনবা হোৎনগদবনি। কুমজা ২০১৫বু মালেমগী লৈবাক লৈহাওগী চহী হায়না থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা ২০১৫-২০২৫ ফাওববু ইন্টরনেসনল দিকেট ওফ সোইল হায়দুনা থৌরম পাঙথোক্তুনা মীপূম খুদিংদা লৈবাক লৈহাওগী মরু ওইবদু খঙহন্নবা হোৎনবনি। চহী খুদিংগী দিসেম্বর ৫দা পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিগী চহী-চহীগী ওইবা নুংগী খোল্লাউ (থিম) হোং হোংদুনা পাঙথোক্লক্লিবা থৌরম অসিগী কুমসি চহীগী নুংগী ওইবা খোল্লাউদি "Soils : The foods begin" হায়বসিনা ওইরি।

লৈবাক লৈহাও হায়বসি মহৌশা ইমানা ঐখোয় মীওইবদা পীবা অঙকপা মখলগী খুদোল অমনি। মসি লৈত্রবদি মীওইবা ঐখোয়না চানবা চিঞ্জাক অমদি শা-ষণশিংগী মচিঞ্জাক চাং য়াম্না পুথোক্নবা অতোপ্পা পাম্বে লৈতে। মরম অসিনা মসিবু শীজিন্নরিবা ঐখোয়না য়াম্না চেকশিন্না অমদি নুংশিনা শীজিন্নবীদুনা মাগী লৈজরম্বা মহৌশাগী ফীভম অদুদগী হোংহন্দনবা হোৎনগদবনি। অহিংবা লৈবাক লৈহাও অমা ওইনা লৈনবগীদমক লৈবাক অমদা য়াওফম থোকপা মচাক অসি ৫নি। লৌফম অমদা মিনরেলস, ওর্গানিক মেট্টর (পাম্বী-শিংগী, শা-ঙাদগী পথ্থ-পুমথবদগী ওইরকপা লৈবাক লৈশা), মখোয়শিং অসি খল চানা লৈরিবমখৈ লৌফম অদু পোথোক নিংথিনা পুথোকপা ঙম্বা, মশা মউ ফরিবা লৈবাক লৈহাও ওই।

মীওইবা অমদি শা-ঙা খুদিংমক্তা দরকার লৈবা মিনরেল, ভিটামিন, প্রোটিন, ফেট, কার্বোহায়দ্রেটনচিংবশিং অসি মপূং ওইনা পাম্বীশিংনা লৈবাক্তগী তোঙান তোঙানবা মিনরেলশিং লৌখৎলবা মতুংদা পাম্বী মনুংদা পাঙথোকপা য়াবা তোঙান তোঙানবা থৌওংশিং পাঙথোক্লবা মতুংদা পাম্বীশিং অদুদা য়াওরকই। অসুম্না পাম্বীদা য়াওরিবা তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিং অদু মীওইবা অমদি শা-ঙাশিংনা পাম্বীশিং অদু চাবদগী ফংগদৌরিবনি। মরম অসিননি লৈবাক হায়বসিনা চিঞ্জাক খুদিংগী হৌরকফমনি হায়রিবা। ঐখোয়গী লৌফমদা পাম্বীশিংনা দরকার ওইবা মিনরেলশিং অদু য়াওদবা মতমদা মখোয়গী মপুন্সি মপূং ফানা হিংবা ঙম্লোই অমসুং ঐখোয়গী চিঞ্জাক ফংনবগী পাম্বে লৈতে।

ঐখোয়না খঙই মদুদি মমাঙঙৈগী চাওখৎলবা খুন্নাই (সিভিলাইজেসন) খুদিংমক ঈশিং মরাং কায়না ফংবা, লৈহাও চেনবা লমগা মরী লৈনৈ। লমদম অমা লিশাংশিংনা লৈনবা হোৎনবদা লমদম অদুগী পোথোক পুথোক্লিবা মফমশিং অদু লৈহাও চেনবা মফম ওইদবা য়াদে। মরম অদুনা ঐখোয়না ইশা-ইউ ফনা লৈনবগীদমক ঐখোয়গী লৌফমশিং অসি মশা মউ ফহনবা হায়বসি তৌদ্রবা য়াদ্রবা থবক অমনি।

ঐখোয়না পাল্লিবা পোৎথোক পুথোক্নবা হোৎনবা মতমদা লৌফম অদুগী মহৌশাদগী লৈরক্লিবা ফিভম অদু য়ারিবমখৈ শোকহন্দনবগীদমক খূৎশেমগী হার অমদি অতোপ্পা খূৎশেমগী ওইবা পোৎলমশিং শীজিন্নবগী চাং অসি হন্থহন্নবা হোৎনফম থোকই। খূৎশেমগী ওইবা পোৎলমশিং অসি লৌফমদা হু চেনবা পোৎলম কয়া অমা মতম মতমগী ওইনা তুংশিল্লকই। মসিনা মরম ওইদুনা লৌফম অদুদা হান্নদগী লৈজরক্লবা মীওইবদা কান্নবা পীবা ঙম্বা অহিংবা জীব কয়া অমনা লৈবা ঙম্লক্তে। অসিগুম্বা অহিংবা জিবশিংনা লৈবা ঙমদ্রবা লৌফম অদু পাম্বীশিংনসু হৌবা ঙম্লক্তদুনা অশিবা লৌফম হায়বদু ওইরকই।

জিবশিংনা হিংনবগীদমক তঙাইফদনা চঙলিবা চিঞ্জাক পুথোক্কদৌরিবা লৈবাক অসি মশা মউ ফনা থম্নবা হোৎনবা হায়বসি লৌউ-শিংঊগী শিনফমদা লৈরিবা মীপূম খুদিংমক্কী তৌদ্রবা য়াদ্রবা থবক অমনি।

লৈবাক লৈহাও ফনা থম্নবগীদমক পায়খৎপীগদবা থবক থৌরমশিং :-

১) লৌ খোইবা মতমদা লৌফম অদু য়াম্নসু চোৎতবা, য়াম্নসু কংদবা মতমদা খোইবীবা।

২) দরকার লৈতবদা অহেনবা লৌওন হাপ্তুনা লৈবাক লৈরিক্কী মশক মওং থুগাইদবা

৩) মতম চানা লৈহাও চাংয়েং তৌথোকপীবা

৪) চাংয়েং তৌরগা পীবা মচিঞ্জাক্কী চাং অদু মতম অমসুং মওং চুম্না পীবিদুনা পোথোক পুথোক্নবা হোৎনবা।

৫) য়ারিবমখৈ মচিঞ্জাক পীবিবা মতমদা খূৎশেমগী হারগী চাং হন্থহল্লগা মহৌশাগী ওইবা পোৎলমশিংনা মহুৎ শিনবীনবা হোৎনবা

৬) দরকার লৈবা পাম্বীগী মহৈশিং লোকখ্রবা মতুংদা লেমহৌবা লেমহৌখাকশিং অদু মৈ থাদুনা মাঙহনবগী মহুত্তা মওং অমা নৎত্রগা মওং অমদা লৌফমদা অমুক খোইজিন্নবা হোৎনবা

৭) পাম্বীশিংগী লায়না তীলনাদগী ঙাকথোক্নবগীদমক নৎত্রগা মচিঞ্জাক ফংহন্নবগী পাম্বে অমা ওইনা শীজিন্নবা য়াবা অহিংবা হিংকুপশিং লৌউ-শিংউবদা শীজিন্নবগী চাং হেনগৎহনবা

৮) লায়না তীলনা অমদি নাপীদগী ঙাকথোক্নবগীদমক শীজিন্নরিবা হীদাকশিং দরকার লৈবা চাংদগী হেন্না শীজিন্নবীদবা

৯) চহী অমগী মনুংদা লৌফমদা অমুক্তি শোয়দনা হৱাই মখলশিং থাবীনবা হোৎনবা

চিঞ্জাক পুথোক্নবগী অমত্তা ঙাইরবা পাম্বে ওইরিবা ঐখোয়গী লৌফমশিং অসিবু মশা মউ ফনা লৈহন্নবগীদমক পায়খৎফম থোকপা থৌওংশিং অসি পায়খৎপীদুনা লিশাংশিংনা পোথোক পুথোকপা য়াবা মফম অমা ওইহল্লসি। ●

## ষ্টেটকী পাউ

## মফৌ দামদগী ঈশিং পীগদৌরিবা থৌবাল...

*লামায় ১গী মখা...*অমনা হায়, মফৌ দামদগী ঈশিং পুরক্লগা মায়কৈ অসোমগী লৌমীশিংদা ঈশিং মরাং কায়না ফংহন্দুনা পাক চাওখ্রবা লৌফমশিং অসিদা লৌমীশিংনা মতম-মতমগী ওইবা পোৎলম কয়া থানবা পান্দমদা হোৎনবিরকপা অসি য়াম্না অফবা খোঙথাংনি। অদুবু কুমজা ১৯৭২দা শাখিবা থৌবাল রাইট কেনেল অসি ঙসি ফাওবা মথৌ তৌদবা মরম্না শাংলবা চহী ৫০ অসি লৌমীশিংনা অৱাবা কয়া মায়োক্নন্দুনা লাক্লি। হীরম অসিগী মতাংদা লোকেল্ল এম এল এদা অমদি মরি লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংদা কয়ারক হন্নসু হায়জখ্রে। হেন্না লাইবক থীরিবদি চহী খরগী মমাংদা কেনেল অসি শাদ্রিঙৈদা কুমগী নোং অমদি চীংদগী চেন্থরকপা ইচুমশিংনা লৌ উবা ঙমজরম্বা অদু কেনেল অসি লৌফমশিংগী লৈমায়দগী য়াম্না কুৎথনা তৌথোকখিবা মরম্না ঈশিং পূম্নমক কেনেলদা চুপশিনখিবনা পাক চাওখ্রবা লৌফমশিং অসি লৈকংলাগা পাঙ্খক ওইবনা লৌ উবা অমদি এঙ্গাং-নাপী থাবা ঙম্নদ্রে। কেনেল অসি শেম্লে হায়রবসু কেনেল শেম্লিবা অসিদা চাওনা চেকশিন্দবা অমদি কেনেল য়ুরিবা অসি ক্বালিটি মেন্টেন তৌদবগী অচৌবা মমি অমসু তারি। কেনেলশিং অসিগী শমজিন্নরিবা মফমশিংদা ঈশিং য়ুদনবা হৌজিক থবক পায়খৎলিবা অসিসু মরি লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা অকনবা মওংদা য়েংশিনহন্নিংই। মরমদি মসিদসু ক্বালিটি মেন্টেন তৌদ্রে হায়বসি ময়েক শেংনা খঙলে। মরম অদুনা অথুবা মতমদা মীৎয়েং চঙবিদুনা লৌমীশিংদা ঈশিং ফংহনবিদ্রবদি অমদি লৌমীশিংনা নোংগী ঈশিংনা ওইরবসু লৌ উজবা ঙম্নবা কেনেল অসি মায়কৈ অসোমগী মীয়াম্না ঈহৌ অমগা লোয়ননা কেনেল অসি ফুমজিল্লগনি হায়খি।

হীরম অসিগী মতাংদা অন্দ্রো খুলগী খুল্লাকপা শগোলশেম চন্দ্রনা ফোঙদোরকখিবদা লৈঙাক্লা তশেংনা ঈশিং পীবা ঙম্লরোইদবা ওইরবদি মহৌশাগী ওইবা লৌ উজরম্বা পথাপ অদুদা অদুমক লৌ উজরগে। করিগুম্বা লৌমীশিং অসিনা মায়োক্নরিবা খুদোংচাদবশিং অসি উবিদুনা শেমজিনবিগদবা ওইরবদি অথুবা মতমদা শেমজিনবিদুনা লৌমীশিংদা কেনেল অসিদা ঈশিং ফংহনবিরো নৎত্রবদি কেনেল অসি মায়কৈ অসোমগী মীয়াম য়াওনা ফুনজিল্লগনি হায়খি। লোয়ননা হুইকপগী লৌমী অমনসু হীরম অসিগী মতাংদা ফোঙদোরকখিবদা থৌবাল রাইট কেনেল অসিগী শরুক অমা ওইনা হৌজিক হুইকপতা কেনেল শেমগৎ শাগৎপীরক্লিবা অসিসু কেনেল অসিগী পরিং খরদনা য়াম্না কা হেন্না কুৎথবা অমদি শরুক খরদনা কা হেন্না ৱাংখৎপা মরমনা ঈশিং থারকপা য়ারবা মতমদা কেনেল অসিনা লৌফম কয়াদা য়ৌহন্নিংলিবা ঈশিং অদু য়ৌবা ঙম্লরোই মরম অদুনা অথুবা মতমদা কেনেল অসি শাবা লোইশিন্দ্রিঙৈ মমাংদা মরি লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা য়াম্না কুপ্না অমুক্তং য়েংশিনবিয়ু হায়নসু আপিল তৌরক্লি।

লৌমী-শিন্নমীশিংগী য়াইফনবা থবক তৌরিবা খল্লে শিল্লুপকী লুচিং মখাদা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা লৌফমশিংদা চৎতুনা লৌমীশিংনা হৌজিক থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং খঙদোক্তুনা লৈঙাক্তা তকশিন্নবগী চৎথরিবা খোঙচৎকী শরুক অমা ওইনা অন্দ্রোগী লৌমীশিংগা উন্নদুনা লৌফমশিংদা ওইরিবা ফীভমশিং য়েংশিনবগী ঙসি চৎখিবা খোঙচত্তা খল্লে শিল্লুপকী প্রসিদেন্ট মাইবম সুনিল অমদি সেক্রেটরি লমজিংবনসু লৈঙাক্লা লৌমীশিংগীদমক পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অসি য়াম্না ফজবা মওংদা তুং কোয়না চৎপা য়ানবা ফীভমদা শেম্বিয়ু নৎত্রবদি লৈঙাক্লা চিঞ্জাক্তা মীপান তাংদবা লমদম অমা ওইনবা থল্লিবা পান্দম অদু থুংবা ৱাগনি। ঙসিসু চাওখৎলবা মতম অসিদা লমদম অসিগী লৌমীশিংনা লৌ উবদা চঙবা মচাকশিং মপুং ফানা ফংবা ঙমদ্রিবা অসিসু ফংহন্নবা হোৎনবিরো। হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিদা অদুমক লৈবা তারগদি নোংম-নোংমগী অসুম-অসুম লমদম অসি ৱাবা হেনগৎলক্কনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## থবক থৌরাংশিং লেপথোক্নবা সেন্টরনা...

*লামায় ১গী মখা...* ইনভাইটেসনশিং পীখ্রে হায়রি।

মীফম অসিদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি খক্তা নত্তনা লৈবাক অসিগী মপান থৌরম পুবা মিনিষ্টর এস জ য়সঙ্করসু শরুক য়ারবা য়ারি। লৈবাক অসিনা জি-২০গী মীফমগী য়ূম্লু ওইনবগী ৱাফম ওফিসল ওইনা থা অসিগী ১দা ৱারেপ লৌখিবনি। অদুগা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অসিদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা সম্মিট অসিগী মনুং চন্না মীটিং ২০০দগী হেন্না পাঙথোক্কদৌরিবনি।

অদুগা মীফমশিং অসিগী মনুং চনবা মীটিং খরদি চৎলিবা থা অসিদগী হায়দরবাদ য়াওনা ষ্টেট খরদা হৌগদৌরিবনি। অদুম ওইনমক জি-২০গী মনুং চল্লিবা ইন্দিয়া নত্তনা মপান লৈবাক ১৯গী লৈঙাকশিংগী মকোক থোংবা লুচিংবশিং য়াওবা মীফমনা ন্যু দেল্লীদা মথং চহীগী সেপ্টেম্বর ৯ অমসুং ১০দা নুমিৎ নীনি চূপ্না পাঙথোক্কদৌরিবনি।

মীফম অসিগীদমক মথৌ তাবা সজেসনশিং খোমজিনবগা লোয়ননা খন্ন-নৈনদুনা পোরম য়াৎথোক্ন বগীদমক পার্লিয়ামেন্টরি এফ্যেরস মিনিষ্টরনা কৌদুনা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা মীফমদা শরুক য়ারনবগীদমক ঙসি নুমিদাং অথেংবদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টরসু ওইরিবী তৃণমুল কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট মমতা বেনর্জি লৈবাক অসিগী কোনুংদা থুংলরগনি হায়রি।

অদুম ওইনমক মমতা বেনর্জিগী মায়কৈদগীদি মহাক্না জি-২০ সম্মিটকী মাঙওইননা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা অসি ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর ওইনা য়াওগদবা নত্তে। তৃণমুল কোংগ্রেসকী মকোক থোংবা লুচিংবা অমা ওইনা য়াওগদবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, জি-২০ লিদরস সম্মিট অসিবু লৈবাক অসিনা য়ূম্লু ওইনবগীদমক মাঙজৌননা বালিদা পাঙথোকখিবা সম্মিটতা প্রাইম মিষ্টির নরেন্দ্র মোদিদা ইন্দোনেসিয়াগী মায়কৈদগী খূৎশিন্নরকখ্রবনি।

জি-২০ নৎত্রগা লৈবাক ২০গী গ্রুপ হায়রগসু খঙনরিবা কাঙলূপ অসি মালেমগী শেন্মীৎলোনদা মাঙজিল থানা চাওখৎলবা অমসুং চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংগী মীহুৎশিং য়াওবা কাঙলূপনি। জি-২০ অসিগী মনুংদা য়াওরিবা লৈবাকশিংনা অর্জেন্টিনা, ওষ্ট্রেলিয়া, ব্রাজিল, কানাদা, চাইনা, ফ্রান্স, জর্মনি, ইন্দিয়া, ইন্দোনেসিয়া, ইটলি, জপান, রিপব্লিক ওফ কোরিয়া, মেক্সিকো, রুসিয়া, সাউদি অরাবিয়া, সাউথ অফ্রিকা, টর্কি, য়ুনাইটেদ কিংদম, য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন য়াওরিবনি।



HL-B/7906/20/11-19/12

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।